# কিং এফ সী হৈঙাংনা সী সী এফ সী মায়থীবা পীদুনা ইমা পান্থোইবী ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস) : কোংবা য়ুথ ওর্গেনাইজেশন্না শিন্দুনা কোংবা নোংথোন্বম লৈকায়দা লৈবা কে ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা অহুন্নক শুবা ইমা পান্থোইবী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ৱিন্নর কিং এফ সী হৈঙাংনা ওইখ্রে।

টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা অহুমশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ফাইনেল মেচ অদুদা কিং এফ সী হৈঙাংনা সী সী এফ সী ক্ষেত্রি গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা সী সী এফ সী ক্ষেত্রিনা রন্নর্স-অপ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা কিং এফ সী হৈঙাং অমসুং সী সী এফ সী ক্ষেত্রি অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা মায়কৈ অনীমক্না গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনখিবগা লোয়নননা অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং চথুনখি।

মেচ অদুগী ৩৪ শুবা মিনিটতা কিং এফ সী হৈঙাংগী এম প্রেমজিৎনা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি। কিং এফ সীনা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবদা সী সী এফ সী হৈঙাংগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু গোল হন্দোকপা ঙমদনা সী সী এফ সী মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা লকি এফ সীগী শান্নরোয় সিনবিনলুংনা টোপ স্কোরর তাখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না গোল অহুম চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্রোমিজিং টিমনা কে ৱাই ও কোংবনা তাখি। বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টনা সী সী এফ সীগী শান্নরোয় সরিফনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা আই পি কোংবনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা বামোন কম্পু জিলা পরিষদকী মেম্বর গোলমৈ কচুমনা, কে ৱাই ওগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ওজিৎ, ভেলেনিটনা ষ্টিলগী প্রোপাইটর থোকচোম সুনিল, নোংইন ইন্টিগ্রেটেদ ব্যুজিনেস সোলুসনগী মেনেজিং দিরেক্টর লেনিন হিরোমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোকি টুর্নামেন্টতা ৱাই সী সী আই সী অমসুং সিয়ো মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা মরিরকশুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর-১৪ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় মায় পাকখ্রে।

থা অসিগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ ৯ নি চুপ্পা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা মৈরা বাসিখোং গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী শান্নরোয় দল্লিয়ু রোহিটনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথুখি। ৱাই সী সী আই সীগী অহানবা গোল এস ঐচ বিদ্যাচন্দ্রনা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল কে রাহুলনা মেচকী ১২ শুবা মিটিতা চনখি। এস ঐচ বুধিনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়না হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়গী থোইবনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্লখিদে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়গী অহানবা গোল থোইবনা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

গোল শোথরিবা হোকি য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকপনা মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা টি সটিসনা গোল ইক্কেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ২৯ শুবা মিনিটতা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়গী দিনিএলনা মেচ মায় পাকপগী গোল চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা হাইট শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং মৈরা বাসিখোং অনীনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ফাম ইম্ফাল অমসুং কে ঐচ এস সী খোংমনগা শান্নগনি।



# বাখে সনা কৈথেলনা ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা সোসিএল এদ্যুকেসনল ৱেলফেয়র এথলেটিক ক্লব (সেৱা) নাচৌনা শিন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৭ তগী চথুরকখিবা ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা বাখে সনা কৈথেলনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা বাখে সনা কৈথেলনা এনৱাইভিএ নাওরেম সেট ৩-২ (২৫-২০, ১৫-২৫, ২৬-২৪, ১৪-২৫, ১৫-৮) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থীহৌরবা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা এন ৱাই ভি এগী এল পাকপনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। এন ৱাই ভি এ নাওরেমগী এন বুধচন্দ্রনা বেষ্ট সেট্টর, বাখেগী রোবিনসন্না বেষ্ট স্পাইকর অমসুং এস দি সী শমুরৌনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি।

# জয়কুমার লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর সোফবোল এসোসিএশনগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা গুরুময়ূম জয়কুমার শর্ম্মনা হৌখিবা তাং ১০ দা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর সোফবোল এসোসিএশনগী মীফম অমা ঙরাং অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা এসোসিএশনগী প্রসিদেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা মতম অমদা মণিপুর সোফবোল এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা মশান্না অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বশিং অদুবু নৌহৌননা নীংশিংখি।

মীফম অদুনা লৈখিদ্রবা গুরুময়ূম জয়কুমার শর্ম্মগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা ফোঙদোকেখিবগা লোয়নননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

# টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা কে এস সী লম্বুলেন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৫ শুবা ত্বেন্টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে এস সী লম্বুলেন মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা কে এস সী লম্বুলেননা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা রন ৯৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা কে এস সী লম্বুলেন্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। কে এস সীনা ওভর ২০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৪২ লৌখি। কে এস সীগী বেটসমেন লেনপুনা রন ৫৯ (৪৬), নিংহোরনা রন ২৪ (২৪), গোগৌনা নোট আউটতা রন ৩১ (১৬), গৌমিনলুন্না নোট আউটতা রন ৯ (৭) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা মোদেল ক্লব টিম এগী বোলর চাউবনা ৱিকেট ২ লৌখি। তোম্বা অমসুং মুজিবুর রহমন্না ৱিকেট অমমম লৌখি।

কে এস সী লম্বুলেন্না থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব টিম এনা ওভর ১৬ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ৪৯ খক লৌদুনা কে এস সী লম্বুলেন্দগী মখূৎতা মায়থীখি। মেচ অদুদা মোদেল ক্লব টিম এগী বেটসমেন তোম্বনা রন ১৪ (২০), নন্দোনা রন ৭ (২৩), টিকেন্না রন ৪ (১৩), ইকবালনা রন ৩ (৫) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা কে এস সী লম্বুলেনগী লালবোই অমসুং গৌমিনলুনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। মার্টিন্না ৱিকেট ৩, লুলুননা ৱিকেট অমা লৌখি। মেচ অদুদা কে এ সীগী বেটসমেন লেনপুনা রন ৫৯ (৪৬) লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং ক্রাও খম্নাম বজার অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল শান্নগনি।

# টি ৱাই দি এ অমসুং আর এফ সীনা কমখ্যা ফুটবোলগী ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): কমখ্যা সোসিএল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়না শিন্দুনা চথুরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল কে এস ৱাই সী ফোর মেন এ সাইদ সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ফাইনেল থা অসিগী ১৯ দা টি ৱাই দি এ অমসুং আর এফ সী খম্নাম লৈরক অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা টি ৱাই দি এনা এস এ এফ সী গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা টি ৱাই দি এ ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা এস এ এফ সী অমসুং টি ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্না য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকখিবনা টিম অমনা অমগী মায়োক্তা চথুখিবা অকনবা এটেকশিং অরেম্বদা তাখি। টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙমদ্রবা মতুং মেচ অদুগী টাই ব্রেক্কী পেনালটি শুট আউটতা টি ৱাই দি এনা গোল অনী জেমিনলুং অমসুং বিশেশ্বরনা চন্দুনা মেচ মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্না এস দল্লিয়ু সী গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। মায়থীহৌরবা এস দল্লিয়ু সী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী গোলশিং অদু পিয়াবুংনা গোল অনী মেচকী ১২ অমসুং ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় সুসিলনা গোল অমা মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা অদুগা রাকেসনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এস দল্লিয়ু সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এ বোবিনা মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

# দি জি এ আর ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর সাউথকী মিৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর আসাম রাইফলসকী সিক্স আসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মপান কাংজৈবুংদা চথুরিবা ১৪ রকশুবা দি জি এ আর সেন্টিনেল কপ ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএলদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী টি ঐচ তানা দেবীনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে। কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী আই সঙ্গিতানা অনীশুবা পোজিসন, স্কুল অসিমক্কী রাইদর এস সঙ্গিতানা অহুমশুবা অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী নিলু আর কেনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র শো জম্পিংদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী এম কুবেরনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে। কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী কে ঐচ রিভালদোনা অনীশুবা পোজিসন, স্কুল অসিমক্কী রাইদর পি শুসিল কুমারনা অহুমশুবা পোজিসন অদুগা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈগী এ বিশেশ্বরনা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রে। চথুরিবা ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং টেন পেগ্গিং অমদি শো জম্পিংগী লেমহৌরিবা ইভেন্টশিং মখা চথগনি।

HL-B/3537/17/1-15/2



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com